# ব্রেইলগী লাইরিকশিং য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩(ঐচ এন এস): সর্ভ সিক্ষ্য অভিয়ান, ষ্টেট মিসন ওঠোরিটি মণিপুরনা শীন্দুনা আইদিএল ব্লাইন্দ স্কুল তাকয়েলপাৎতা ঙসি পাঙথোকপা থৌরম অমদা ব্রেইল লাইরিকশিং য়েন্থোকখ্রে।

থৌরম অদুদা টি ফুলেন মীতৈ, এদিসনেল প্রোজেক্ট দিরেক্টর, এস এস এ ষ্টেট মিসন ওঠোরিটি মণিপুরনা চীফ গেষ্ট, দল্লিয়ু বিনাকুমারী, হেদমিষ্ট্রেস, গভর্ণমেন্ট আইদিএল ব্লাইন্দ স্কুল তাকয়েলপাৎনা প্রসিদেন্ট অমসুং টি অমিতা লেকচরর, আই আই টিনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

চীফ গেষ্টকী ৱারোলদা টি ফুলেননা হায়খি, হকচাংগী ফীভম তোঙাল্লবা, উবগী শক্তি য়াওদ্রবা মীওইশিং অসিনা পাঙ্গলনা থবক শূবা ঙমদ্রবসু অতোপ্পা শীনফম কয়াদা মখোয়না তৌবা ঙম্বা কয়া লৈরি। মতম-মতমগী তঙাইফদবা কয়া লৈরকপা মতমদা পোলিসি প্রোগ্রামনচিংবা কয়া শীন্দুনা ব্রেলগী লাইরিক য়েনবা নৎতনা অতোপ-অতোপ্পা ব্রেল কিদস অমদি অতৈ খুৎশু-খুৎলায় ময়াম অমসু মতেং পাংনবা হোৎনগে। মহৈরোয়শিং অসিনা অতোপ-অতোপ্পা হীরমশিংদা মশা-মশাদা য়াওজরিবা হৈথোই-শীংথোইবশিং অদু ওজাশিংনা চানবা খনবীদুনা লাইরিক-লাইশু তম্বদা চানদ্রগসু করম্বা হীরমদা হায়বদি ঈশৈ শকপদা, মখল মখা কয়াগী আর্টিষ্ট ওইবদা নৎত্রগা পেন্টিংদা চানব্রা হায়বদু পুং ২৪ লৈমিন্নগদৌরিবা ওজাশিংনা য়েংথোকপীয়ু। মহৈরোয়শিংগী তৌবা ঙম্বা কয়া অদু ওজাশিংনা খঙগনি। লাইরিক লাইশু তম্বদা খরমখৈ শোনবা ওইরগনা অতোপ্পা লমদা মশাগী পীথোরকপা কয়া অদু য়েংদুনা চানগদবা মওংদা তাকপী-তম্বীনবা আপিল তৌখি।

গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগীসু পাংবা য়াবা মতেং পাংগে। মহৈরোয়শিং অসি নীংহন্নদনবা তঙাইফদবা পোৎলম কয়া অদু ওজাশিং অসিনা হায়বীরকউ হায়না মহাক্না মখা তাখি। ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা পুন্না মহৈরোয় ৮৪ দা ব্রেলগী লাইরিকশিং য়েন্থোকখি।

থৌরম অদুদা এস এস এ তমেংলোংগী দিষ্ট্রিক্ট কোওর্দিনেটর আই ঈ দি অমদি এস এস এ ষ্টেট মিসন ওঠোরিটিগী ষ্টেট ইন-চার্জ আই ঈ দি কমলা লক্ষ্মী চোংথামসু শরুক য়াখি।

# শেল কায়থোকপগী খুদোংচাদবা মায়োক্নরে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩(ঐচ এন এস): নম্বোলগী অকোয়বদা লৈরিবা বেঙ্ক অয়াম্বনা শেল নীংথিনা পীবা ঙমদ্রে। বেঙ্কতা শেল থমজিনখ্রগা কায়থোকপা ঙমদবগী খুদোংচাদবা মায়োক্নরে হায়না দিভলপমেন্ট এন্দ প্রোটেক্সন, য়ুনাইটেদ ভোলুন্টরি ওর্গনাইজেসন নম্বোলগী সেক্রেটরি থোকচোম লমজিংবনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, লুপা ৫০০ অমদি ১০০০ চৎপী নোটচৎনহনখিদ্রবা মতুংদা মীচম মীয়াম খম থেংনা অৱাবা মায়োক্নরে। নোংম-নীনিসিগী মনুংদা অরৈ-অরৈবা ইশা-ইশাগী শেলশিং বেঙ্কতা থমজিনখ্রগা লৌথোকপা য়াদবগী খুদোংচাদবা মায়োক্নরি। লৌ-শিংগী মতম ওইবনা লৌ খাউবা, লৌ য়ৈবগী খুৎশুমল লৈতবগী অৱাবা মায়োক্নরে। শোরাৎ, লুহোং-কৈহোংবা থৌদোক থোক্লিবা ইমুংদনা হেন্না অৱাবা মায়োক্নরে।

নম্বোলদা লৈরিবা বেঙ্কশিং, মণিপুর ষ্টেট কোওপরেটিব বেঙ্ক নম্বোলদা কষ্টমর অমদা লুপা ২০০০ দগী হেন্না কায়বা য়াদ্রে। মণিপুর রুরেল বেঙ্কনম্বোলদসু লুপা ২০০০ দগী হেন্না কায়বা য়াদে। ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া নম্বোলদসু একচেঞ্জ তৌবদা লুপা ৪০০০ ফাওবদং য়াই। পোষ্ট ওফিস নম্বোলদা একচেঞ্জ তৌবদা শুপ্নগী লুপা ৫০০ খক পীরি। হীরম অসিগী মতাংদা মরী লৈনবা ওঠোরিটিনা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।



মুতুম ইবেমচাওবীনা হন্দোকপা *অরিবা গ্রীক্কী নুংশি ৱারী খরা* হায়না মিংথোনবা লাইরিক ফোঙবগী থৌরমদা শরুক য়ারিবশিং

# নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩(ঐচ এন এস): ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা শিংজমৈ এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মনুংদা লৈরিবা ঐচ আই ভিগী চৈথেং ফংলবা নুপী অমসুং অঙাংশিংবু নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরম অমা সোসল ৱার্কর ও রোমেননা শীন্দুনা ঙসি শিংজমৈ ওইনাম থিংঙেলদগী লৈখিদ্রবা এক্স এম এল এ লোইতোংবম সরতকী য়ুমদা পাঙথোকখ্রে।

নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা ৱা ঙাঙবদা সোসল ৱার্কর ও রোমেননা হায়খি, ঐচ আই ভিনা শোকহল্লবা মীওইশিং অসি ঐখোয় অমত্তনি হায়বা ৱাখল্লোনদা অচম্বা থৌরম অসি পাঙথোকপনি। হিংবগী মহাও য়াওদ্রে হায়বগী নীংহন্নবা ফাওদনবা মখোয়গীদমক মবুং-মৌপ্পাশিং লৈরি হায়বা ৱাখল্লোন অদুনা লিচিং ওইদুনা নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি।

ঐচ আই ভিনা শোকহল্লবশিং মীরত্তা থোক্লত্তবা ময়াম অমা লৈরিবশিংসু লান্না খনবীগনু। মখোয়গীদমক্তা ঐহাক্তা নৎতনা মীওই কয়া অমা লৈরি। হন্দক্কী চহী অসিদা অহানবা ওইনা নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরম পাঙথোকপা ওইরবসু মহাক্না হিংলিবমখৈ নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরম অসি লেপ্তুনা পাঙথোক্কনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

নেসনল হায়ৱে অনীদা মতম কক্তবা ইকনোমিক ব্লোকেদ তৌখিবনা মরম ওইদুনা নোংমগী চঙদ্রবা য়াদ্রবা পোৎলম কয়াগী মমল ৱাংখৎলক্লি। পেট্রোল লিটরদা লুপা ৩০০ য়ৌরে। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা লৈঙাক পায়রিবা কোংগ্রেস গভর্ণমেন্ট অসিনা করিগুম্বা থবক অমত্তা পায়খৎতনা তুমিন্না লৈথোকপা অসি শিংজমৈ এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিদগী বি জে পিগী মীরেপ ওইনবা থৌরাং তৌরিবা মীওই অমা ওইনা থম্মোয় শোক্না নুংঙাইতবা ফাওই। মীয়ামগীদমক য়েংবীদুনা অথুবা মতমদা অৱাবা কয়া অসি কোকহন্নবা হোৎনবীয়ু হায়না মহাক্না মখা তাখি।

# ‘খোঙজং চঙশিনখিগনি’

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩(ঐচ এন এস): লিলোং হাওরৈবী কোলেজগী প্রিন্সিপাল ওইরিবা মীওই অসি প্রিন্সিপাল ফমদগী লৌথোক্ত্রিবা ফাওবা অকনবা খোঙজং চঙশিনখিগনি হায়না ওল মণিপুর মুস্লিম ষ্টুদেন্ট’স ওর্গনাইজেসনগী পব্লিসিটি সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, কোলেজ অসিগী ষ্টুদেন্ট’স য়ুনিয়নগী মীখলদা আর ওনা পীরিবা রিজল্ট অদু পেন্দে হায়না ৱাকৎপগী হক অদু কোলেজ অদুগী ইলেক্সন কম্মিটিনা পীরিবা আর আরদা ময়েক শেংনা পল্লি। চৎনরোইদবা আর আরদি করিগীদমক্তা ইলেক্সন কম্মিটিনা ফোঙলিবনো হায়বা ৱাফম থল্লক্লি। কোলেজ অসিদা প্রিন্সিপাল ওইনা থারক্লিবা মীওই অসি অমাকসু অমদি ষ্টুদেন্ট’স দিভলপমেন্ট কম্মিটিনা য়াবা ঙল্লোই। মীওই অসিবু কোলেজ অসিগী প্রিন্সিপালগী ফমদগী লৌথোক্ত্রিবা ফাওবা অকনবা খোঙজং চঙশিনখিগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# ৱারোইশিন পুরক্নবা খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩(ঐচ এন এস): লিলোং হাওরৈবী কোলেজগী ষ্টুদেন্ট’স য়ুনিয়নগী ইলেক্সন পাঙথোকখ্রবসু ওথ টেকিং ঙসি ফাওবা লৌদনা লৈরিবা অসিদা মহৈরোয়শিংগী মরক্তা পেন্দবগী ৱাকৎ তাবীদবদগী কোলেজ থিংজিন্দুনা একাদেমিক এটমোস্ফেয়রদা অকায়বা পীরক্লিবা অসিদা ইলেক্সন কম্মিটি অমদি প্রিন্সিপালনা ৱাথোক অসিগী ৱারোইশিন পুরক্নবা খঙহল্লি হায়না লিলোং হাওরৈবী কোলেজ ষ্টুদেন্ট’স য়ুনিয়নগী জেনরেল সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

থা অসিগী ১৬ ফাওবগী মনুংদা ওথ টেকিং লৌদবা তারবদি মথংগী নুমিৎতগী লিলোং হাওরৈবী কোলেজ ষ্টুদেন্ট’স য়ুনিয়ননা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি। মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা লৌবা সেমিষ্টর ইগজামশিংসু বোইকোট তৌগনি। মসিগী মতুংদা থোক্লকপা অফ-ফত্তগী তেকচাক খুদিংমক মরী লৈনবা দিপার্টমেন্ট, লিলোং হাওরৈবী কোলেজগী প্রিন্সিপাল অমদি আর ওনা পুগদবনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# নুপী লাল দ্রামা তম্বা হৌরগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩ : নুপী লাল দ্রামা তম্বা হয়েংদগী হান্নগী রিহার্সেল তৌফমদা তম্বা হৌরগনি হায়না নুপী লাল মেমোরিএল এসোসিএসনগী ষ্টেরিং কম্মিটিগী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, চহী খুদিংগী দিসেম্বর ১২ নুপী লাল নীংশিং থৌরমদা মণিপুরী খুন্নাইদা নুপী লাল দ্রামা খুদোল তমদুনা লাক্লি। চহীসিগী নুপী লাল নুমিৎতা খুদোল তমগদবা নুপী লাল দ্রামা তম্বা হয়েংদগী হৌরগনি। নুপী লাল দ্রামা অসিদা হান্নগী অমদি অনৌবা য়াওগদবা আর্টিষ্টশিংনা মতম চানা শরুক য়াবীয়ু। থা অমা চুপ্না পাঙথোক্কদবা নুপী লাল থৌরমগী থৌ পুগদবশিংসু খনখ্রে। থৌদাম ইবেমহল, কাংজম গম্ভীনি অনীবু প্রসিদেন্ট ওইনা খনখ্রে।

# মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩ : রিছার্স ফোরম মণিপুর লিংখৎখিবগী ৯লকশুবা মপোক কুমওন থৌরম মণিপুর প্রেস ক্লব ইম্ফালদা থা অসিগী ২১ দা পাঙথোক্লগনি হায়না রিছার্স ফোরমগী জেনরেল সেক্রেটরি সুখাম প্রেমজিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। থৌরম অসিগা মরী লৈননা মণিপুরগী কলচরগী মরমদা নোংমগী ওইবা সেমিনার অমসু পাঙথোক্কনি। লমদমসিগী শক্নাইরবা ওজা মুতুৱা বহাদুর, নাওরোইবম ইন্দ্রমনি, ডা. নিংথৌজম বিরচন্দ্র অমদি ডা. ৱাইখোম রোমেশনা সেমিনার পেপরশিং পাথোক্কনি। লমদমসিগী পুৱারী অমসুং নাৎপু মালেমগী মফম শীনবা থুংনা খঙহন্নবা অমদি চাউখৎহন্নবগী পান্দমদা ফোরম অসিনা সেমিনার অসি ফোরমগী মপোক নুমিৎতা পাঙথোকচবনি। নুমিৎ অসিদা লমদমসিগী থবক থৌদা কয়া তৌরিবা লূপশিংনা অপনবা, অথিংবা পীবীগনু। দেলিগেট ওইগদবশিংগী ফীনচিংবা লৌরোই। য়াওনিংবশিংনসু মাঙজৌননা মিংনচিংবা রিছার্স ফোরমগী ওফিসতা পীশিনবীয়ু হায়রি।

# নুংঙাইতবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩(ঐচ এন এস): এন সী ক্লব খোংহাম্পাৎকী ভাইস প্রসিদেন্ট ইবোতোম্বা সিংহ, লৈফম খোংহাম্পাৎ অৱাং লৈকায়দা লৈবগী য়ুমদা বোম থমজিল্লম্ববু এন সী ক্লবকী মায়কৈদগী থম্মোয় শোক্না নুংঙাইতবা ফোঙদোক্লি হায়না ক্লব অসিগী সেক্রেটরি দেৱাননা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

এন সী ক্লবনা অৱাং মায়কৈদা অফবা ফূটবোল শান্নরোয়শিং পুথোক্নবা হোৎনবদা ইবোতোম্বনা অঙম্বা শেল-থুম অমদি পাঙ্গলগী মতেং পাংদুনা লাক্লিবনি। লৈবাক্কীদমক অমদি শান্নরোয়শিংগীদমক হোৎনরিবা মীওই অমগী ইমুংদা বোম থমজিনবনা পান্দম অমত্তা ফংবা ঙল্লোই। অসিগুম্বা থবক অসি অমুক হন্না থোকহনবীগনু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।


ইখোল য়োঙ্গরি

জিরিবামদা NH-37 গা থংনবদা ইঙ্খোল অমা য়োঙ্গরি। অপাকপনা 130 ft. অদুগা অশাংবনা 700 ft. নি। কনাগুম্বা লৈবীনিংবা মীওইশিংনা মখাগী মোবাইল নম্বর অসিদা কন্টেক্ট তৌবীরকউ।

**Pliz Contact :** ☎ 9436351555

HL-B/3466/14 & 16

MARIA MONTESSORI SR. SEC. SCHOOL
(Affiliated to CBSE, New Delhi, Affiliation No. 1230005)
Website - www.mariamanipur.org

DEEDS NOT WORDS

**ADMISSION NOTICE**
Date 11/11/2016

All interested parents are hereby informed that Online Registration for admission to Classes I to IX for the session 2017-18 is starting from 17th November 2016. Please visit our School website www.mariamanipur.org for further details.

Sd/- **PRINCIPAL**

P.O. Mantripukhri, Imphal East, Manipur - 795 002

HL-P/10533/12-16 Nov.

**MANIPUR UNIVERSITY**
CANCHIPUR : IMPHAL-795003

**PRESS RELEASE**
The 12th November, 2016

Due to some grievances, the tribal students left Manipur University campus on 10th October, 2016. However, the issue have been resolved and 31% reservation has been given to them. The Vice-Chancellor has assured that all genuine demands of the students will be attended to. They need not worry and fear. Hence, they may return back to the campus gracefully and attend their class so that their studies may not suffer.

Sd/- **Public Relations Officer i/c**
**Manipur University**

HL-B/3468/14

**Children Drawing Festival**
(Org. by: Eternal Life Church International (ELCI)

**Lists of Awardee**

This list of Awardee for the Best Three Art in their respectively category.

**Category A: (05 to 09 years)**

| | | |
|---|---|---|
| A-024 | Juliana Thoidingjam | Kendra Vidhalaya No. 1 |
| A-179 | Angelina Ningthoujam | - |
| A-005 | S. Katrina | Baby Seikam Eng. School |

**Category B: (10 to 13 years)**

| | | |
|---|---|---|
| B-029 | Onia Konsam | Nongpok Maheikol |
| A-133 | Moirangthem Bronson | Sacred Heart School |
| A-122 | Ningthoujam Regan | Sacred Heart School |

**Category C: (Differently able of any age)**

| | | |
|---|---|---|
| C-011 | W. Dinesh Singh | B.B. Paul, Mongsangei |
| C-003 | H. Rameshor Singh | B.B. Paul, Mongsangei |
| C-022 | L. Dayananda Singh | Langthabal Kunja Junior High School. |

**N.B. :** Participate who could not collect the Certificate & Gift can e-mail to elcimanipur@gmail.com with Name, Regd. No. & Contact No.

Sd/-
**S.K. Luwangamba**
Managing Director
Eternal Life Church International (ELCI)
Imphal, Manipur.

HL-P/10545/14

থবক্কী দরখাষ্ট কৌজরি

**Regd. UM/092/COM. Estd. -2014 - Govt. of Manipur**

**SL.NO.1. BANKING & FINANCE IN IMPHAL OR NORTH-EAST (20)**
*Qualification* : XII to Graduate
*Salary* : 12,500/- to 18,000/-

**SL.NO.2. AIRPORT VACANCY FOR DOMESTIC & INTERNATIONAL**
*Name of Post* : Loader, Driver, Flight Cleaner, Ground Staff, Cabin Crew
*Qualification* : VIII / X / XII Passed

**SL.NO.3. MICRO FINANCE STAFF REQUIREMENT FOR DISTRIC WISE**
*Name of Post* : Reception, R.O., Collector, Accountant, Office Asst. Asst. Manager, Manager, Security
*Qualification* : VIII / X / XII / Graduate
*Salary* : 5000/- to 8000/-

**SL.NO.4. PRIVATE OFFICE, COMPANY, SCHOOL, HOSPITAL, MALL, STAFF REQUIREMENT IN IMPHAL**
*Name of Post* : Front Office, Computer Operator, Sales Manager, Sales Executive, Driver, Teacher, Chowkidar, Helper, Mother's, Nurse, Attendant, Accountant
*Qualification* : VIII / X / XII / Graduate Passed
*Salary* : 5000/- to 12000/-

**SL.NO.5. DATA ENTRY & TELLEY CALLER IN IMPHAL**
*Qualification* : X / XII / Graduate
*Salary* : 8000/- to 15000/-

**SL.NO.6. SECURITY (ATM/BANK/OTHERS)**
*Qualification* : VIII / X Passed
*Salary* : 5500/- to 8000/-

**INTERVIEW ON : 24/11/16.**
**LAST DATE : 23/11/16**
☎ **9615165952, 9856808189**

*Sd/-*
**GENIUS SERVICES**
**ADD :** URIPOK MACHIN
OPP. CHIERAP COURT

HL-P/10490/9,10,12-17,19-23

মীতৈ লায়েং

য়া শৎতনা লায়েংবা, য়াগী কেন্সর মায় পাক্লা লায়েংজরি। এন ইবোহল মীতৈ
চীংমৈরোং মনীং লৈকায় লম্বী চংফম মচিন, নিয়র এসেমব্লী কমপ্লেক্স



১। হৌজিক্কী মতম অসিদা মীয়াম্না মীপাইনরিবা বি.পি. হায়বসি ইমালোন্দা লাইয়ৈ য়ৈবা হায়বনি। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুনা অসুম চৎলম্বদগী বোম তুদুনা শিরে, তুমখিবদগী হৌগৎলক্তরে হায়বদি ঐগী লোলদা লাইয়ৈ য়ৈদুনা শিরে হায়বনি। হৌজিক্কী মতমগী লোন্দদি বি.পি. পোকখায়দুনা শিরে হায়না খঙনৈ। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুশিংনা থম্বীরম্বা হীদাকশিংনা লায়েংদুনা কনবা ঙল্লে। অকুপ্পা মরোল মীতৈ লায়েংদা নৈনবীয়ু, তান্নবীয়ু।
২। হার্টকী লায়না হায়বদি শ্বর হোনবা নুংঙাইতবা, শদৌ থোংবা, হকচাং চোকথবা, তুম্বা য়াদবা, অকি অখঙ পোকপা অসিনচিংবা লাইওং কয়া অসি হার্টকী ওইবা প্রোব্লেমনি। অদুবু ৱাবীরুনু মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা ফহনবা ঙল্লে।
৩। হৌজিক্কী মতম খুৎলায়গী পাঙ্গলনা চাংয়েং তৌবদা অনাবগী লাইওং পুথোকপা ঙমদবা লায়না লাইওং কয়া মীতৈ লায়েংনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। নুংশীৎকী লায়না (Gastric)।
৪। Make-up (Parlour) তৌবদা চান্নদবদগী মায়দা allergy তৌবা অসি মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা কোকহনবা ঙমজরে।
৫। মীওইবগী পুন্সিদা য়া হায়বা শায়রগা চান্নরীবা অসিবু পুন্সিগী লেঙদ্রবা পামেল অমা ওইহনবীয়ু। অদোমগী হকচাঙ ফহনবীয়ু। য়ানা মীওইবগী থৱায়নি। য়া নাবা অমসুং য়াদা মুবা তিল চাবা হোবা, য়ারীদা পোম্বা, নাই চাবা, ঈ থোকপা অসিনচিংবা কয়া শত্তনা অমদি তুংদসু অমুক হৌহন্দনা মায় পাক্লা লায়েংজরি।
৬। মথক্তা পঙ্ঙখিবা লায়নাশিং অসিগী মথক্তা মখাদা পঙ্ঙরিবা লায়নাশিং অসিসু ঐখোয়না চাংয়েং কয়া তৌজদুনা নীঙথিনা লায়েংজদুনা মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে। লায়নাশিং অদুদি :- নুংশং নাবা, লাই ওক্নবা, ঈশিং পুকচৎপা, নুপীগী থাগী খোঙকাপ শোইবা, ফীঙৌ চৎপা, ঈ-নুংশিৎ, লিবর, চাকখাউ নাবা, এজমা হারা, হুইনা চিকপা, লিন্না চিকপা, সাইনস, তোন্সিন অমদি কংখুনচিংবা লায়না কয়া, লালচাক-ফম্বী শোনবা, খোঙয়া শাবা, হকচাংদা ঈপুম নাইপুম লৈবা (without surgery) ফহনবা ঙম্বা হীদাক, খ্বাঙ নাবা, মটু লৈবা, অপোম্বা খুদিংমক, নুংশিৎ চংবা (হিংচাবী চংবা), মীৎ-নাপু কাবা, খোঞ্জেল শীথবা (voice down), ঈ-য়াই হকচাং নোয়বা ফনবা অমদি মশা পাবা নোয়নবা, নাহি তাবা অমদি ঊনশাগী লায়না কয়া মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে।

**অকুপ্পা মরোল খঙবীনিংবশিংনা মীতৈ লায়েং ইবোহল, সনাতোম্বা, গোপাল অমসুং মোধুবলাদা তান্নবীয়ু।**

**Regd. No. 4277 of 82 April**
Phone No. **9615533737, 9856271907**
**DR. N. IBOHAL MEITEI, State & National Awardee**

HL-B/3334/23/09-22/10

APPLE LOST
(I-PHONE 6S-PLUS))

I have lost my Apple Model No. I-Phone 6S (Plus) on the way within the area of Kongba Bazar at 4:00 p.m. to 5:30 p.m. on 12/11/2016.

Finders are requested to handover the same to the undersigned.

(অৱামল মতীক চানা পীজগনি)

*Sd/-* **Md.Nazimuddin**
Keikhu Mayai Leikai
☎ **8729815300**

HL-P/10543/14

কবিরাজবু হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎচরি



ঐ মতম শাংনা সাইনসনা নাদুনা নাতোন অমদি মহী তাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ শিৎপদা ঈ য়াওরকপা চানিং-থক্লিংবা পোত্তবা হকচাং চোকথবা, খনাউ মরেং-মরেং চৎপা, শ্বর ফুনগনবা, ৱা ঙাঙবা ঙমদবা তৌরম্বা অদু **এম ডি কয়ামুদ্দিন ফুন্দ্রেময়ুম ৮৫৭৫৮১৪৭২০, ৮৪১৩৮৭০০২৭** দা চত্তুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিংদু মপুগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা কয়ামুদ্দিন কবিরাজবু মতম পুম্বদা মীয়াম্না চানবীবা ওইসনু হায়না ঈশ্বরদা থৌনিজরি।

1. Mayang Imphal Bengoon Leirak Achouba Bazar : 7.00 am to 12.00 noon. , 2. Hatta Minuthong Bazar : 1.00 pm to 5.00 pm

*থাগৎচরিবী :*
**Chanambam (o) Anupama Devi**

HL-P/3453/10/11-09/12

শৈশকপা বীরকুমারবু থাগৎচরি



বীরকুমার

নুঙগী লায়েংবা পাবুং লাইশ্রম নবকিশোর, শগোলবন্দ খম্নাম লৈরক ইম্ফালদা লৈবীরিবা পাবুং অসিনা ইবিবা লাইরিক **“চুম্মী” হায়না লৌবিব্রা? “লাল্লী” হায়না লৌবিব্রা?** হায়রিবা লাইরিক অসি পাজরুবদগী ঐহাক্না কান্নবা অদুক্কী মতীক ফংজে। অসিগুম্লবা লাইরিক অসিবু ঈশৈ ওইনা শক্তোকপীদুনা ময়ামবু তাহনবীরিবা ওজা **কোংখাম বীরকুমার** চিংঙামখা মাইস্নাম লৈকায়বু থাগৎচবা ফোঙদোকচরি।

*থাগৎচরিবা :* **NINGOMBAM PIYAR**
Ningom Thong Bazar

HL-P/10276/28/10--27/11

GRATITUDE




**Ashok Kumar**

It is my sincere gratitude to **Sir Ashok Kumar** that he has healed my prolong sickness from **Lumber Spine Thinning Disc (L3/L4/L5/S1)**. I have been liviing in agony suffering from such sickness for the last one year. In fact, I had difficulty to move my body all the time and all my became dysfunctional and lost strength to **move.** But, it is very fortunate that I have consulted with **Mr. Ashok Kumar** recently at his clinic, **Ashok Kumar Health Care Centre, Near E.S.U. Ground, Palace Compound, Imphal,** ☎ **9612988625.** It is a matter of delight and heartfelt satisfaction that I have completely cured from such traumatic ailment **after only 6 days of treatment.** May Lord Jesus bless him to serve long.

*Sd/-* **K. Teresa**
Game Village, Zone-IB-332

HL-P/10542/14

মায় পাক্লা মখাগী লায়োংশিং অসি “লায়েংজরি”



১। **Piles** : নুংশঙ, কল্লাই, পোম্বা, ঈ তাবা, শৌজ-নাম্থবা, খ্বাঙ নাবা অমদি নুংশঙগা মরী লৈনবা অনাবশিং।
২। **Diabeties :** ঈশিং পুকচৎকী অনাবশিং।
৩। **Sinus** : হকথি-খনবদা ৱাবা, কোক চিকপা, কোক লুম্বা অমদি মসিগা মরী লৈনবা অনাবশিং।

*লায়েংফম ঃ* **Haffiz Hatta JNIMS Road.**

*লায়েংজরিবা :*
**Kabiraj Md. Nasir Khan**
**# : 9615033039, 7085385283**

HL-B/3412/21/10-20/11

**JOB FOR X & XII PASS**

**No High Qualification, No Deposit, No experience Required**

Class X, XII পাস তৌরবা কেন্দিদেটশিংবু তোঙান-তোঙানবা ওফিসল পোষ্টগীদমক থবক কৌজরি। ইম্ফাল ইষ্ট-ৱেষ্ট, থৌবাল, বিষ্ণুপুর, সেনাপটি, চান্দেল, উখ্রুল অমদি তমেংলোংনচিংবা দিষ্ট্রিক্টশিংগীদমক ওইগদবনি। থবক অসি মশাগী চহী ৩০ গী মনুংদা লৈবা লাইরিক তম্লিবা, তম্বা তোক্লবা খুদিংমক্তা এপ্লাই তৌবা য়াগনি।

***No. of Vacancy :*** **37 Male & 25 Female**
***Income :*** **10,000/- to 25,000/- (As per the Post)**
***Visiting Hour :*** **11:30 am to 3 pm (Daily)**

অথাপ্পশিংগীদমক লৈফম-চাফমগী ফেসিলিটিসু লৈগনি। এপ্লাই তৌবীনিংবা মীওইশিংনা অথুবা মতমদা ইশাগী বাইওদাটাগা লোয়ননা অথুবা মতমদা তান্নবীয়ু।

***Contact :*** ☎ **9615902430**
**7308079183**

HL-P/10040/8,10,14,16

**MR RECRUITMENT ADMIT CARD LOST**


I have lost my Admit Card of MR Recruitment, bearing Roll No. 2284 on the way from Sawombung to Lamlong on 07/11/2016.

Finders are requested to handover the same to the undersigned.

*Sd/-*
**Hijam Sonenda Singh**
Napet Palli Maning Leikai

HL-P/10043/14 ☎ **9856481376**

নুংশঙ ফহনবগী ওজাবু কাউজরোই



ঐগী হকচাংদা নুংশঙনা মরম ওইদুনা চাবা তুমদবা, শা-ঙা চারগনা খোঙ হাম্বা য়াদবা, চাকখাউ অমদি থিবোং-থিরিনদা গ্যাষ্টিক কারগা য়াম্না নুংঙাইতবা পোকপা, হকচাংদগী তাং-তাং অমদি মসলশিং চিকপা নাবা, য়াংলেন শরু নাবা, খ্বাঙ নাবা, খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা, খোঙ হাম্বদা ঈ য়াওরকপা তৌরম্বা অদু ওজা **MD. Zia-Ul-Haque Phusam** ☎**8414825323, 9615256612** দা চত্তুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা **Zia-Ul-Haque** বু হায়নিংঙাই লৈতনা পাউচেগী খোঙদা হন্না হন্না থাগৎচরি।

*লায়েংফম ঃ* 1. Kekru Villa Minuthong Road, Opp. AMUCO, UCM Gate Imphal 10 a.m. - 5 pm. 2. Mayang Imphal Konchak Bazar 6 am to ...? 3. Yairipok Bamon Leikai.

*থাগৎচরিবা :* **Nongmaithem Chandra Kumar**
Tera Sapam

HL-B/3443/14

*Happy Announcement*

**Opening** **Opening**

**AADARSH EYE CLINIC**

*A Unit of*
**AADARSH MEDICARE SERVICES**
OPP. AXIS BANK NEAR JNIMS MAIN GATE
POROMPAT, IMPHAL

**OPD & OT FACILITIES**

***Available Facilities :***
- CATARACT SURGERY (PHACOEMULSIFICATION, SICS, ECCE)
- OCULAR SURFACE DISORDER CLINIC
- GLAUCOMA CLINIC
- OCULOPLASTY, ONCOLOGY AND AESTHETICS CLINIC
- CORNEA CLINIC
- CONTACT LENS CLINIC
- OPTICAL (WIDE RANGE OF FRAMES AND LENSES)

**On 14th November, 2016**

*With Latest Equipment*

**CHIEF ADMINISTRATIVE OFFICER**
**AADARSH MEDICARE SERVICES**

HL-P/10529/12-18 Nov.